## এডিটোরিয়েল

# ফম থাদোক্লরকপা অমদি ফিরেপ লৈরক্তবা

*ইন্দিয়াদা কংগ্রেস সরকারনা লিশাং শিংনা নীং–খা তম্বা ফংখিবা মতমদুদগী হৌনা লৈঙাক অসি পায়দুনা লাক্লি। মতাং মতম ফবা খরদা অতোপ্পা পার্টিশিংনা ফম মুনখিবগী থৌদোক খরা থোকখ্রবসু অদুম্মক কংগ্রেসনা লূচিংবা সরকার লাকখিবনি। মতম শাংনা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবা অসিদগী মহৈ অমা ওইনা ঙসিদি বি জে পি না লূচিংবা সরকার অমা য়াম্না তংদু –লৈতাবা মওংদা লাকপগী হায়বদি চহী ৫ গী শাসন পায়বা ঙম্বগী মওং অমদি উরে। মসিগী মনুংদা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা পায়খৎখিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অদু কদাইফাওবা য়ৌনা পায়খৎলবগে হায়বা অসিগী মতাংদা য়াম্না কন্না ঙসিগী কেন্দ্র সরকারনা থিগৎলক্লি। মসিদি অচুম্বা লৈঙাক অমগী মখা তানা চখ্বরকপা লৈঙাক অমনা য়েংশিনফম থোকপা অদুনি হায়না লৌবা য়াই। মসি মণিপুরদা লৈরিবা মওং অসিদদি অমরোমদা হায়রগা মতম শাংনা কংগ্রেসতা য়াওরম্বা অমসুং কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অমগী ষ্টেট অসিদা থৌ পুরম্বা মীওই কয়া অমনা মীখল নকশিল্লক্লবা মতমসিদা কংগ্রেসকী প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তুগী ফাওবা তোক্লে হায়না ফোঙনা মীয়ামদা ফোঙদোরকপা অসিমক্তি য়াম্না তুংগী খন্দবা ঙাইহাক্কীওইবা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌবা ওইনা থোক্কদ্রা খল্লি। হৌজিক ইন্দিয়াদা সরকার পায়রিবসি বি জে পি না লিদ তৌবা সরকার অমনি।*

*বি জে পি গী লৈঙাক অসি মমাঙদা পাল্লম্বা অতল বিহারি ভাজপায়িগী মতম অদুগী লৈঙাক অদু নত্তে হায়বসিমা ঙসিগী লূচিংবশিংনা খলহন্নিংই। হৌজিক লাক্কদৌরিবা লৈঙাক অমসুং মীখল অসিগী মনুংদা লৈরিবা ৱাখল্লোনদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগী লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন অদুগী মখা পোন্না লৈগনি। মশাগী চহী য়ামশিল্লক্লবা হায়বদি চহী ৭০ দগী হেল্লবা মীওই অমত্তা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেটকী মপুং ওইবা মিনিষ্টরনচিংবা ওইবা য়ারোই হায়বা অমসুং মশানা খঙনা পোখাগদবনি হায়বা ৱাফম অমসু লৈবগী মথক্তা মঙোন্দা লোয়েল ওইবা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্ট ওইরম্বী অমদি মদুগী মখা তাবদা রাজ্য সভাগী মতম অমদা চিয়ার পার্সন ওইরম্বী ফাওবা লৈঙাক্কী চুপ্লি পায়হনবগী মহুত্তা রিটয়ার তৌরগা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী থৌশিং পুরি। হৌজিক মণিপুরদা লাক্লিবনা মীখলদা মায় পাকনিংবগী ফিদম অদুনা মপুং ওইরগা মশাগী চহী য়াম্লবা থবক থৌশিলদা মপুং ওইনা য়েংশিনবা ঙম্লরোইদবা মীওই কয়া অমসু বি জে পি দা চঙশিল্লকপগী মওং অমা উই। মখোয় মীখলদা মায় পাক্লকপদি য়াই হায়ববু মখোয়না য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী ষ্টেট অসিগা লোয়ননা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং খঙলম্বা তারগদি করিগী তাইওন্নবা লৈঙাক অমা চহী ১৫ মতুং অসিদা লৈগদৌরিবনো হায়বা অসিমদি হংনিংই। হৌজিক্তদা অহুমশুবা তার্ম লোয়শিল্লমদাইদা পার্টিগী মেম্বরশিপ্তুগী রিজাইন তৌরে হায়বগা লোয়ননা প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তুগী তোক্লে হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপসু খ্বাইদগী খুদোংচাবা লৌবা মতাং অমা ওইরম্বসু য়াই। লূরিবা ৱাফমদি লাক্কদৌরিবা অনৌবা মীখলসিদা মখোয়না পাল্লিবা পান্দম অদু ফংবা ঙমগদ্রা নংত্রগা ফুদিত্তা মাংজোং চোংবগুম অরেম্বা তাদুনা তোক্কদ্রা হায়বসিসু হংনরিবা মীয়ামগী ৱাহংনি। অরিবা য়ুগী বোটলদা অনৌবা য়ু হাপচিনবনদি ঙসিগী লমদমসিগী প্রজাশিংনা য়াম্না লূম্না লৌরক্কনি হায়বসি তম্বা ঙমদ্রিবা ৱাফম ওইরি। খুদিংমক হৌজিক্তী লমদমসিগী প্রজানা য়াম্না হৈ–শিংনা মখোয় পুন্নমকপু নিংথিবা পরা তম্বীরকপসু য়ারি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# ইশা ইতোমতা ইকায়বা পোকচৈ

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

ঙসি ফাওবগী মনুংদা মণিপুরদা পানখিবা ষ্টেট সরকারনা লমদমসিগী প্রজা মীয়ামগী ইহৌশিং য়াওনা ৱারোইশিন পুরকখিবা থবকশিং করিবু য়াওখ্রবগে? রাজনিতিগী লূচিংবা অমদি লূচিংবী কয়াশিংনা হংগৎনা অমদি হন্থনা য়েংবীবা মথৌ তাবীদ্রি?

ঙসি ফাওবদা মণিপুরদা থোকখিবা মরু ওইবা ইশুশিংগী থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা লৈঙাকলোইশিংনা নীংথিনা ঙম্বগী পনখৈগী ৱাংমদা লৈখ্রবসু মণিপুরদা মৈহৌরোলশিংদগী লৈমিন্নরক্লবা জাতি অমদি ফুরুপ কয়াশিংগী মনুংদা মণিপুর মরমদমবু নুংশিজবা মীওই লিশিং কয়াশিং লৈরি হায়না লৈঙাকলোইশিংনা খক কাওবীরোইদবনি।

হৌরকফম খঙদবা শাগৈগী মৈতান অশিবশিংনা ঙাংনরিবা শক্নরিবশিং তাবদা ইশা ইতোমতা ইকায়বা পোকচৈ। ঙসিগী প্রজা মীয়াম্না চহী ৫–৫ গী মীয়ামগী শক্তি শীন্নরিবা অসি প্রজা মীয়ামগী মরক্তা নুংশিনদনবা অমদি শম্বল খানবা অমসুং লৈবাক ইরাং হৌহন্নবদি ওইরগ্লোই।

তুম্বা, চাবা, থকপা,অমদি লম্বী চৎপদা সেক্যুরিটিশিংনা ঙাক শেন্দুনা মোনতেক–মোন্দুম মথক্তা য়াওন্নদুনা লৈরিবা লৈঙাকলোইশিংনা খুন্নাইসিদা ঙসি চৎনরিবা অসিগী ওন্ন–তৈন্নবদা লৈবাকসিগী অফবা মশক থোকপা অমদি মালেমসিগী মীয়াম্না শীংথানগদবা থবক খরদংদি মীহুৎশিংনা পাংথোকপদুনি পামজরিবসি।

অফবা ফিজেৎ শেৎপা, অয়াঙবা গারীশিং তোংবা, সেক্যুরিটিশিংনা ঙাকপা, অফবা বিল্ডিংদা লৈবা, অফবা সোফাদা ফম্বা, অফবা চিঞ্জাকশিং চাবা, অফবা থবক্তি তৌদবা অসি মীয়াম্না করিদি ওইনা ঙাংননি হায়বসি খন্থবা ফরে।

ঙম্লোইদবা তৌরোইদৌবা হায়রুনু–নঙসু মীনি কাওগনু। মিনিস্টরগা মীয়ামগা লো–কোর্টটদি মীওই খুদিংমক চপ–মান্নবনি। চাওনা পোল্লকপা নত্তেকো মীয়াম্না নঙবুসু চাওহনবনি। প্রজাসু লাইনি কাওফদে।

***অদোমগী***
**কোন্থৌজম মণিহার সিংহ**
**সেকমাইজিন খুন্নৌ**

# মণিপুরগী অঙনবা মতমগী লৈবাক ৱায়েন–পথাপ

ডা. কোন্সম মনিকচান্দ সিংহ

মণিপুর লিরবা নিংথৌ পানবা লৈবাক্লি। ৱায়েনবদা নিংথৌনা খ্বায়গী মকোকনি। নিংথৌবু লাইনিংথৌ, লাইয়িংথৌ, লৈমাবা, মৈদিংঙু, অমদি নিংথেম হায়না কৌনৈ। লাইনিংথৌ পামহৈবনা পানবা মতম শকাব্দ ১৬৪৬ (খৃঃ ১৭২৪) দগীদি নিংথৌবু মহারাজ হায়নসু কৌনরকখ্রে। লৈঙাকপা অমদি ৱায়েন থৌদাবদা খুদোং চানবা নিংথৌগী মতেং পাংনবা ফম্নাইবা কয়ামুক হাপ্লম্মী। ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা মরু ওইবা ফম্নাইবা খরদি খুনফাংথৌ, নিংথৌ পোংবা তরা, ফমদৌ ৬৪ নচিংবনি।

খুনফাংথৌ মাপন – ৱাংখৈরাকপা, খুরাইরাকপা, য়াইস্কুল লাকপা, নোংথোনবা, পুখ্রনবা, হিয়াংলোয় হঞ্জবা, শংলেন লাকপা, চোঙখানবা হঞ্জাবা ফমশিং অসিবুনি। মখোয় ৯ অসিবু পাখঙবগী মহিশাং ফমদৌ মঙাইরোই হায়নসু কৌই। পোইরৈ খুনফাংথৌ ৯ মক্কি মকোক্তি খুরাইনি। খুরাইদি মখোয় মাপনমক অসি উমংলাই ৯ গী মহুৎ শিনবনি, অমদি মখোয় ৯ অসিগী লাইপাদি–

কুরাইরাকপদি – লায়য়িংথৌ হম্বনে
ৱাংখৈরাকপা – মোংবহনবা
খ্বাইরাকপা – পাওকন
য়াইস্কুল লাকপা – মুৱানিংথৌ
নোংথোনবা – খন্নাংবা
পুখ্রনবা – চাখাবা
হিয়াংলোয়হঞ্জবা – মারজিং শঙলেন লাকপা
(অহল্লুপ লাকপা) – লুৱাং পুন্সিবা
চোঙখানবা হঞ্জবা – কৌবরেন

লোইয়ুম্বা শিনয়েন কৌবা লাইরিক্তদি (১) সিনাইবা হনবনে (২) ঈয়াৎলাংবনে (৩) থাঙশহনবনে (৪) কোনশা হনবনে (৫) লাইফারাকপনে (৬) হিচাহনবনে (৭) অহৈবা খুৎহৈবা হনবনে (৮) ফিশাহনবনে (৯) হঞ্জবনে – অসিনা খুনফাংথৌ ৯ কৌই। অদুগা (১) পুখ্রনবা (২) নোংথোনবা (৩) খ্বাইরাকপা (৪) য়াইস্কুল লাকপা (৫) হিয়াংলোয় হঞ্জবা (৬) চোংখানবা হঞ্জবা (৭) ইসাংলোই হঞ্জবা (৮) ইনিংলোয় হঞ্জবা (৯) ফমথকচা (১০) লাইখুরাকপা – তরা অসিবুনা নিংথৌ পোংবা তরা কৌই হায়না ই। কংলা হৌবা হায়বা লাইরিক অদুদদি লৈকাইরাকপা ৪, শংলেন লাকপা ২. শঙখুবা শঙলাকপা ২, পুখ্রনবা, নোংথোনবা অসিবু নিংথৌ পোংবা তরা কৌই হায়না ই।

নিংথৌ পোংবা তরা অসি মৈতৈগী য়াম্না লিরবা লাইরিক নুমিৎ কাপ্পনচিংবদসু ইবা থেংনৈ। “ নিংথৌ পোংবা তরামক্তা খোমলেন মংপাউ তন্নবগা নিংথৌ পোংবা তরামক্লা পাওমেল্লমএ তম্ফা ৱাঙমলোন ও! .... .. কম্বি মাউঁয়ে খুনা খোইজু তোল্লাং ইকপি – ও হায়না”।

খুল্লাকফম – লাইফম, খাবম অহল্লুপ, নাহারুপ পানা মরীগী অমম্বদগী ফম্নাইবা নিপান নিপান শুপ্পা ফম্নাইবা কুম্ব্রানিথোইবু খুল্লাকফম কৌই। হায়রিবা ফমশিং অসিবু পোইরৌথৌ খুনফাংথৌ, তয়মথৌ, নাইফংথৌ কৌই। অমরোমদা তেনশুহনবা, থাংশুহনবা, শীংশুহনবা ৩ মক্তি লাইনিংথৌ মুংয়াম্বনা (খৃঃ ১৫৬২–১৫৯৭) লৌখত্তুনা খুল্লাকফমগী মথক্তা ফমহনখি। (লোইয়ম্বা শিনয়েন)

ফমদৌ – চৈরাপ ৱায়েনফমদগী খুল্লাকফম অয়াম্ববু ফমদৌ কৌএ (ফমলোন)। লৈরম্বা ফমদৌ হুমফুমরী অসি থেংলবদা মৈদিংঙু খোঙতেকচাগী মতমদা লৈরে। মৈদিংঙু খোংতেকচানা খৃঃ ৭৬৩ দা নিংথৌ ওই। মহাকথক্তা লাংজা লৌপুংফৈদা ফমদৌ হুমফুমরিমক্কা শা তাল্লুবদা ঙম্না লাইনা লৌদুনা ঈশিংদা শিখি। লোং পায়বা অমত্তং হিংদুনা মাগী ধারা মখৈ লোংজম কৌবি। (চৈঃকুঃ) ফমদৌ ফমসুক অসিবু অয়াং ফমথৌ হায়নসু কৌই।

লাইরেন নাওফংবগী লৈবাক ৱায়েন পথাপঃ
–

খৃঃ ৪১১ দগী ৪২৮ ফাওবা পাল্লম্বা মৈতে নিংথৌ নাওখম্বনা য়োইরুমলোন য়াওরৈবা চনু পান্নদুনা নাওফংবা পোকই। মৈদিংঙু নাওখম্বগী মচা ইবুংঙো নাওফংবনা খৃঃ ৪২৮ দগী ৫১৮ ফাওবা পানখি। চিংঙু লাইগীদি মমৈ তাইবংগী নমু পোংগীদি মকোক লাইরেন মৈদিংঙু নাওফংবনা তৌরম্বা লৈপাক্কী ৱায়েন থৌদাদি – লৈপাক নিংথৌগী ফনবা তৌবদি লন লিকফরোই, ৱা অনী শুফরোই। মৈদিংঙু অপানবনা ৱা অনী হায়ফরোই। ৱা অনী শুনা হায়রবদি লৈপাক ৱাথোকএ, ৱা য়াম্মে, তৌহৈদে। শুরুনা, পণ্ডিৎনা, মহৈ হৈবনা লৈপাক্কী ফমদৌ নিংথৌ অঙম–অথৌবমনা লৈপাক নোংথৌ অনীমক্তা অফ–ফত্তা তৌরগদবা থোল্লক্কদবা উর খঙলবদা হায়দ্রবদি লৈপাক নিংথৌ ফত্তে।

নোংথিল নোং চুফরোই, চুরবদি লৈখোঙ নোংখোঙ কাইবা কৌএ কাইফরোই, কাইদনবদি ৱায়েন চুম্মো, থৌথা নমসুনো, থকশি খাশি লমলানকুনো। কুম থাদি মীগী ৱায়েন ইল্লে, ৱায়েন শোইফরোই।

ৱায়েনদি – ষণ হুবা শগোল হুবা, নাই হুবা অসিদি মখোঙ ককও। লৈখুন হুৎপা (শগুন তৌবা) হুরানবা অসি মখুৎ ককও। মচীন থীবা পুকহোন–পাহোনচানা অসিদি মচীন লেনও। নিংথৌগী ইবেম্মশিংদা মিৎয়োংনা য়েংবা লাল্লবা, মীগী মতু হুবা অসিদি মমিৎ হল্লে। মচে–মনেম খঙদনা লাল্লবদি নোংলাউও। নিংথৌগী ফিজি–ফিনা নেৎপদি লোই থা ও। নিংথৌ শেম্বা ফংলবদি তুম্না হাৎনা ও। লায়থুং মখাক পাইফদে, য়েক্লবা মখাক নাইগুনো, লমন মখাক থমগুনো। তীন তিন্নবা, পী তিন্নবা, য়েক তিন্নবা নুপীদি লৌনহৈদে। মৱা শিরবদি থঙশিল্লে। উমং লাইগী থৌখন কায়ফদে। শঙ পানবা চামা শুফদে। শামু কুন শুফদে। শন ইরোই শা উচেক পুন্নমক্তি মশীং নাইদ্রে। মৈতৈ লৈপাক্কীদি লানফমদা মী কুম্ব্রা শুহৈদে। (মশিন)।

লাইরেন নাওফংবনা হৌদোক্লম্বা লৈপাক্কী ৱায়েন থৌদাশিংসি তুংদা লাকখিবা নিংথৌরেনশিংগী মতমদা হোংদোক হোংজিন খরা তৌরবসু বৃটিশনা মণিপুর লৌদ্রিঙৈগী মতম ফাওবদা চৎনরম্মী। খুদম ওইনা – শকাব্দ ১৫৮৯ (খৃঃ ১৬৬৭) কী লমদা থা নোংয়াই পুং য়ৈবদা অমুনাকম্বসুং, অদোনা লাইশুবা অনীমদি কাংপোকপীদা য়ান্দুনা হাৎলে। (চৈঃ কুঃ)

নিংথৌদা পীরকপা খুদোল ফিবু শেৎলুবগী পাঙল শলিমখাবু য়োৎহিং ফলাং চন্দুনা পিজদনা কংদুনা শিহনখি। (নোংশামৈ)। খৃঃ ১৭১৪ কংলেন ৮ নি পানবা নোংমাইজিংদা নাতোক, চিংতাওবম সেরন অনী মনা শেনচাও থুম খাইএ হায়দুনা মখুৎ ককএ। (চৈঃ কুঃ)

মী হাৎলুবগী দন্দিদি মীদুবু মানা হাৎখিবা খুহাত্তুনা হাৎতোক্লম্বা চৎনরম্বদগী মহারাজ চন্দ্রকির্তিনা পানবা মতমদা মঙক কক্তুনা হাৎপগী মওং চৎনখি।

মমাংঙৈদগী হৌনা অচুম–অরান ৱায়েনফম খঙদ্রজয়বদা লাই ৱায়েন য়েংনবা অসি লম অসিদা চৎনরম্মী। লাই ৱায়েন য়েংবদি (১) ঈশিংদা ঈরুপ্পবা (২) তেন নৎত্রগা তা পায়নদুনা চায়নদুনা অচুম অরান য়েংনবা (৩) স্না লুপা লাক্লুহনবা অসিনচিংবা চৎনরকই।

ঈশিংদা ইরুপ্পদুনা লাই ৱায়েন য়েংনবাঃ– নিংথৌ অমদি অঙম অথৌশিংনা অচুম অরান ৱায়েনফম খঙদ্রবদা ঈশিংদা ঈরুপ্পহন্দুনা লাই ৱায়েন য়েংনবসি এলহৌঙৈদগী চৎনরক্লে। ঈরুপ্পদুনা লাইৱায়েন য়েংনবসি খৎনরিবা মীওই অনীদুবু অরুবা লাইগী পুখ্রি নৎত্রগা পাৎ অমদা অঙম অথৌ অমদি মীয়াম মমাঙদা ঈরুপ্পহন্দুনা লাই শাক্তি য়েংনবনি। ঈশিং মনুংদা লৈবা ঙমদদুনা হান্না ফাওগৎলকপা নী অদু লাইনা য়াদ্রবনি অমদি কুইনা ঈশিং মনুংদা লৈদুনা কোন্না ফাওগৎলকপদুনা লাই ৱায়েনগী অচুম্বনি হায়না চৎনরম্মী। খুদমদি –মমাঙঙৈদা চেংলৈ শলাইগী নিংথৌ থাঙয়ি খোংজ্রোম্বনা য়াওরৈবা চনু লৌদুনা থাঙয়ি খোংজ্রোম্বগী হৈরাং মচা য়ান তাওজিং মরু হুন্দুনা লোইদাম থাবুম থা মঙা শুরবা মতমদা মৈতে নিংথৌ নাওখম্বনা (খৃঃ ৪১১–৪২৮) মুন্দুনা লৌখি। মতম খরগী মতুংদা য়াওরৈবা চনুনা নাওখম্বগীদা চেংলৈগী নিংথৌ থাঙয়ি খোংজ্রোম্বগী মচা নাওফং অহনবা পোকখি। মতুং খরা লৈরগা য়াওরৈবা চনুনা মৈডেংঙু নাওখম্বগী অশেংবা মচা নাওফংবা পোকখি। কাইনথংদা ৱাঙমলোন য়োইরুম চেংবী পোল্লবা মতুংদা মৈদিংঙু নাওখম্বা নোংগাখি। মৈতৈ নিংথৌ নাওখম্বনা শিরবদা নিংথৌ খুভমগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখি। থাঙয়ি নাওফং অহনবনা মহাক্লা অহানবা নিংথৌ ওইফম থোকই হায়রবদা লৈপাক্কী অঙম অথৌশিংনা মহাক্তি মৈতৈ নিংথৌ নাওখম্বগী ঈ অশেংবা মচা নত্তবনিনা মৈতৈগী ফম্বান তোংবা য়ারোই অমরোমদা মনাওনুপা ওইজরবসু নাওফংবদি মপা লাইরেন নাওখম্বগী ঈ অশেংবা মচানিনা মনাওনুপানা নিংথৌ ওইগদৌবনি হায়খি। খোয়শাওনরবা নাওফং অহনবনা মমা য়াওরৈবা চনুদা মহাকপু মপা লাইরেন নাওখম্বগী মচা নত্তে হায়বসি চুম্বরা হংজখি। মমানা মহাক্তি চেংলৈগী নিংথৌ থাঙয়ি খোংজ্রোম্বগী ঈনা পোকপনি নচি ন–ননাও খৎনগনু হায়রবা ফাওবদা ময়াদ্রবদা মমানা ঈশিংদা ঈরুপ্পদুনা লাইৱায়েন য়েংনরুনবা হায়খিবদগী লৈপাক্কী অঙম অথৌ ময়াম মমাঙদা ঈরুপ্পদুনা য়েংনবদা মনাও নাওফংবনা চুমদুনা মৈতে নিংথৌ ওইবা তারদুনা ফম্বান কাখি। মৈদিংঙু নাওফংবনা সনা ফম্বান ফম্নবদা থাঙয়ি নাওফং অহনবদি ইকাই–ফিরুক খুমদুনা মতোমতা খোইয়ম লাই ওইজখি।

মথক্কী মতাং অসিবু পাখঙবা নোংগারোন কৌবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি – “নাওফং অহনবনা সনা ফম্বান তৌগনি হায়রবদা মদাইরেম পোইরৈ খুনফাংথৌ তয়ম নাইফাংথৌ পুন্নমক্লা পাওয়াল্লকএ। থাঙয়ি নাওফং অহনবও নঙদি থাঙয়ি চেংলৈ পামচানে। পল্লেম নমা মৈতৈ লৈমা য়াওরৈবা চনুনা থাঙয়ি চেংলৈপাম্বা ঈবু লোইদাম থাবুম মঙা শুনা লাইজ ঈহুল্লকপা চানে। তুবী ফম্মোইমিৎ ফমফরোইএ, লাইরেন ফলাংলৈদা তোংফরোই। লাইরেন মৈদিংঙু নাওফংবদি তুবী থমং লৈমচা থমং নিংথৌ লাইরেন ৱাংবা মপু নিংথৌ ৱাংকোন লোই পংখঙ অতেংবা, লাইরেন মৈদিংঙুচা অতাংবনে। ফম্মোইমিৎ মানা ফম, ফল্লাংমৈ মানা তোংঙৈনে হায়না পাওমেন্নববু থাঙয়ি নাওফং অহনবনা ৱাচংনবীদে। শানৌ নচিন ননাওবু শমু পল্লোয়ননা পলেম নমা মৈতৈ লৈমা য়াওরৈবা চনুগী সনা মখোঙখাদা ৱাকচচখিয়ে। পলেম ইমা মৈতৈ লৈম–ও শানৌ ইচিন ইনাওবু পলেমগীচানে। পন্থৌপা মচাদি নত্তে হায়না পোইরৈ খুনচানা য়াদে। তয়ম নাইচানসু য়াদে। ইপন–ও নপারি ঐবু পোইরৈ খুননিংবু ওইফরোই হায়এ। পলেম নৱায়েনবু করম য়েনাকনবনো হায়না ৱাকচচববু – মৈতৈ লৈমা য়াওরৈবা চনুনা ৱাহমলকএ। পারি সনা ৱাপিহন থাঙয়ি নাওফং অহনব–ও ঈপনগী সনা চুমথোং হাংবা খোমলাং চাইজি তংলববু নঙনা হান্না তংএ। লাংলেন কোংয়াং ৱাপীহন্দি নঙনে। তৌইগুম থাঙয়ি খোংজ্রোম্বগী ঈনে। নাশানৌ কোন্তে কোন্না হুনবা সোইরেন লৈখাগী কোন্না ফাওইগীদি লাইরেন মৈদিংঙু নাওখম্বগী স্না ঈ অতাংবনে হায়না পাওতাক্লববু থাঙয়ি নাওফং অহনবনা য়াইবী কলথৌনিক্লা পাও য়াবীদ্রবগী মপন মৈতৈ লৈমা য়াওরৈবা চনুনা অমরক ৱাহমলকএ। তৌইগীদি পারী নবিঙঙাবু খোইয়ুম লাইনা চুমশুনো। চীংঙু লাইকোন্নুং অচনবা খোইয়ম লেংনা তিনবা পুন্নমানা শান্তেং ঈরুফম লৈবনে। নোংদা পাখঙবনা শান্থুপফম চীঙঙু লাইফমলেন্দা ৱা চুম্নরুও হায়না থৌশিথোনগী মদাইরেম ফমথৌ মঙাইরোই নিংথৌ মহিশাং পুন্নমক্কা পোইরৈ খুনচা হৌ তয়ম নাইচা তিন্না শানৌ মচিন মনাওগা লাইজ ঈদা কুল্লবদা খাবী খীয়াথৌ অমাই লাকলৌ শিনবশিংনা সনা লুপা খুত্তা খুমনা ৱাহমখিএ। খোয়ম কোরৌ ৱায়েনবা চীংঙু নোংখায়বা নঙ খোয়না ৱায়েল্লকও। পোইরৈ লৈরক খুল্লক শিংকোংবা, পরিং লাংশংবা, মীমৌ তাংথবা, মীমলক নাইফাং ৱা পনম সমতান ৱাবু নত্তে। মালেম চানিং লৈখৈগী মলেম তম্পাক লৈমরেন খোয়য়ম মায়গৈ ঙাকপা নীপানমা কৌরৌ নোংতোনগী খোয়য়ম লাই নখোয়না ৱায়েন বীরক–ও হায়না সনা য়াইনা হুল্লমগা শানৌ মচিন মনাওদি লাইজ ঈরুপ্পা য়েংনববু থাঙয়ি নাওফং অহনবদি খোয়য়ম লাইনা য়েংলক্লবগী তীনফা লাইমনবনা ইমু তোংচা চিংনা চৈপীঙম্লবগী লৈরাইমুংবীথক্তা – কারক্লে। লাইরেন মৈদিংঙু নাওফংবদি তুবী ময়েক থোক লাইরেন ময়েক লাংলকএ হায়দবরা? অদু নোংগীবু থাঙয়ি নাওফং অহনবদি য়েকশোইপাৎ, লাইরেন মৈদিংঙু নাওফংবদি য়েল্লা পাৎ–ও থোন্নরমএ।”

অসুম্না ঈরুপ্পদুনা লাইৱায়েন য়েংনবসি থায়না মমাংঙৈ কাদগী চৎনরকপনা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মতম ফাওবদা চৎনরম্মী খুদমদি – শ্রীযুৎ চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্তা শকাব্দ ১৭৯২ (খৃঃ ১৮৯০) গী ফাইরেন থাগী ২৬ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোনশম অৱাংগী শাগৈ পুন্নমক্লা পিবা অনীশুবা অসিবু ফৎতরে অমত্তা শেমগে হায়দুনা নুংজেংদা খনসিং পীবগা অঙাংতোন পীবাগা অনীমক ঈরুপ্পববু খনসিং পীবানা লাইরমলেনগী চুমখিয়ে। খনসিংগী পুরুপ্তি পৎত্রনে, গুনমনিনে, কোনশহনবনে, পুর্নেনে। মরিমা অসিনা অঙাংতোনগী পুরুপকা তোৎনখিএ। (চৈ ঃ কুঃ)

শকাব্দ ১৭৮৯ লমদা ১৮ নি পানাবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শঙ্গোম শংদা কাবা কোন্থৌজমদা মীনাই ওইবা হাওনা মমল হঞ্জরগে হায়রবদা মপুনা শেল লখা ২৫ নে হায়। মনাইনা ১৫ নে হাই। চৈরাপ্তা বীচার তৌনবদা শাখি লৈতে ঈরুপনৌও হায়দুনা ঈরুপ্পবদা মনাইনা চুমখিএ। (চৈঃ কুঃ)

তেন কাপ্পদুনা লাই ৱায়েন য়েংনবা ঃ– ঈশিংদা ঈরুপ্পদুনা লাই ৱায়েন য়েংনবগুম অচুম অরান ৱায়েনফম খঙদ্রবা অমদি নাকন অনীমক তাইশিল্লবা য়ারক্ত্রবদি তেন নৎত্রগা তা পায়নদুনা চায়নদুনা লাইৱায়েন য়েংনবা অসিসু মমাংঙৈদা চৎনরম্মী। চায়নবদা অঙম্বদুনা লাইৱায়েনগী মতুং ইন্না অচুম্বা ওইনরম্মী। চৎনবীগী মতুং ইন্না অঙম্বা (অচুম্বা) অদুনা মায়থিরবা মীদুগী (অরানবা) মঙক কক্তুনা হাৎপদা লৈপাক নিংথৌনসু খুৎ থিংজিন্নরমদে। কক্লবা কোক অদুসু মনা (ত্রোফি) ওইনা ময়ুমদা পুবগী চৎনবীসু লৈরম্মী। তেন কাপ্পদুনা লাই ৱায়েন য়েংনখিবগী মতাংদা পনবা য়াবা থৌদোকতি ঃ– মমাংঙৈদা চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা নোংমা শা তানবদা শাগী শারম লিরকপদা মাগী মরুপ খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবাগী লোয়নবী শেদৌ তৌজম হোই হোইবীনা মখুৎমক্লা মাগী মপুরোইবগী মরুপ য়াফুরাকপদা ৱাংলৈ য়ু অহাওবা লান্দুনা পীথকখি। মতুং ওল্লকপা চহীদা চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা মঙোন্দা য়ু লান্দুনা পীথকখিবগী তৌবীমন উত্তুনা মাগী মরুপকি তালোই মরুম্বীনা ঈন চিংদুনা ঙা ফারিঙৈদা য়েন্সাং মথেল নিংথিনা হাপ্তুনা চাক পীজরকপদা শাওরবা খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবানা য়াফুরাকপবু মাগী নুপীগা অরোনবা মরী লৈনৈ হায়বগী মরান শীরদুনা নুপী মমল হন্নবা হায়খি। মদুদা চাইরেন নিংথৌনা মাদি ইচম চম্না মঙোন্দা য়ু পীথক্লকখিবগী তৌবীমল উত্তুনা চাক পীজবনি, অরোনবা মরী অমত্তা থমদে হায়না ৱাশকপবু খেন্দে নিংথৌনা থাজখিদে – “ ঐনা নহান নোং লময়াই শান্নবা কোইরেন লমজাও শা তানবদা মোমনু তালোয় নরুম্বী অসিনা ৱালৈ য়ুরানমনগীবু লনশিংবীগে হায়নবু তরা লুকমাইরেন শারেন ফাহাপ্পনা মাইখংবনে। ঐদি শোয়খোং তাইখেৎতে, লমলক লুথুম্ববু পুম্না লৈতে হায়না কোরৌ নোং শোনবা মালেম লৈ শোনববু খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা ৱা চানদে। অমরক চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা শরী মখৈ ফং নাবুং মতোন লোম্না ৱাশকপবু থাজবীদে।” (চায়নরোল)। অসুম্না ৱাশক্তুনা হায়ববু খেন্দে নিংথৌনা মথাজদ্রবদা চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা তেন কাপ্পদুনা লাই ৱায়েন য়েংনসি হায়রবদা মখোয় অনী তেন কাপ্পদুনা অচুম অরান লাই ৱায়েন য়েংনখি। খেন্দে নিংথৌনা হান্না তেন তমদুনা কাপ্পবু চাইরেন নিংথৌদা পান্দদুনা ফুমদা পাল্লে। চাইরেন নিংথৌনা অমুক কাপ্পদদি খেন্দে নিংথৌগী ফৈগলদা পান্দুনা য়াফুরাকপনা লাইরমলেনগী চুমখি। নিয়মগী মতুংইন্না চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা খেন্দে নিংথৌবু মঙক কক্তুনা য়াইবী লৌবা য়ারবসু তিন্নবা মরুপ ওইবনা য়ু থকমিন্নদুনা করিসু লৈতবা ৱাফমদা শওনরুরে হায়নদুনা অমুক হন্না মরুপ ওইমিন্নখি।

সনা লূপা লাক্লহন্দুনা লাইৱায়েন য়েংনবা – সনা লূপা লাক্লহন্দুনা লাই ৱায়েন য়েংনবা অসিসু নিংথৌ পাল্লিঙৈদা চৎনরম্মী। খুদম ওইনা, শ্রীযুৎ চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্তা শকাব্দ ১৭৯৮ (খৃঃ১৮৭৬) ইঙা থাগী ২৭ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লমাবম কৈরুললম্বনা লমবম মাইবহনদি মাগী ধারা লৈত্রে হায়ববু লমাবম তিলুক দেৱান্না মশুদি লৈএ হায়দুনা শ্রীযুৎ সনা দরবারদা লৈবনা চুমএ হায়দুনা শ্রীযুৎ সনা য়াথং লাই শাক্তি য়েংখিসে হায়দুনা পৈথোপ্তা সনা লুপা লাকনহনববু লমাবা চাওতোন মাইবহনবগী মাশুনা সনা লাক্তুনা য়ুমলেন পীবা ওইখিয়ে। অদুগা শাগৈসু অনীথোক্লা খাইনখিএ। লাই অমদা য়ুম ২০–২০ য়েনবিখিএ। (চৈঃ কুঃ)।

মতৌ অসুম্না লৈপাক নিংথৌনা, অঙম অথৌশিংনা, চৈরাপ কুচুনচিংবদা ৱায়েনবদা শাক্কিনচিংবা মতিক চানা লৈতদুনা ৱায়েনফম খঙদ্রবদি মথক্কী মওংশিং অসুম্না লাই ৱায়েন য়েংনহন্দুনা অচুম অরান বীচার তৌরম্মী।